# ‘‘খোঙ্গুল মুৎশিনখিবা নত্তনা করিসু ওইরক্লোই’

ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি

উশম ধরমেন্দ্র



মীওইবা ঐখোয়সি আশাগী মপান তাংনা হিংনবা ঙাক্লি। মহাক মহাক্না ঙসি ওইরিবা, হিংলিবা ফীভমদুদগী কন্না শু-নোল্লগা মথংগী চহীদদি খরদং শাফগনি খন্দুনা নুংঙাইজরিবনি। শম্পোৎ য়াহৌ হৌদুনা লৌবুক্তা শিন্থা পাঙলুবা লৌমীনা ময়ূমদা হল্লকপদা নোংম-নোংমগী পানখৎলকপা থাজগুম মপূং ফারক্লিবী মচানুপী শরেপ কাংদোং তাল্লক্লিবীবু উরুবদা অৱা পূন্বা কাউদুনা ইচাগী মহৈ-মশিন তম্নবা অমদি লুহোং কৈহোংবগী শেল কন্না তান্দবা য়াদে হায়দুনা নুংঙাইরবা মচাগী আশাগী নুংঙাই পান্দমদা মশাদা চোকথবা লৈত্রিবনি। জিজ্ঞ অমনবা নোংয়ুবা খরা য়াওরিবসি য়াম্না নুংঙাইত্রে, মথং চহীদদি অহনবা শিন্দোক্লবা হোৎনগে, সাইকল অমনবসিসু অমতং লৌরোক থা লোইরগা শিনবা ঙম্বরা য়েংগে হায়বা পুম্নমকসি আশানি। আশাগী মপান তাংনা হিংনবা মীওই মপোক্লি। ৱানা য়াম্না ৱানা চরা নাম্মতা চারগা, অহিংদা ঈশিং থক্লগা লেনখিবা মমা-মপা কয়া মচানা মহৈ মশিনদা মমান্নবা-মমান্নবীশিংদগী তাথদবা উরগা অৱাবা পূন্বা কাউনরিবনি। মীওইবগী পূন্সি অমসুং আশা অনীসি থাদোক্লবা য়াদে।

পূন্সিগা থাদোক্লবা য়াদনা চৎলিবা পূন্সি খোঙচৎকী হিংবগী লমজিং ওইরিবা আশানা মমি শাল্লক্লবদা পূন্সিগী হিংনীংবগী অপাম্বা লৈখিগদরা, কদোমদনো থাংগদৌরিবা ঐগী খোঙথাংসিবু। ঐ ইশানা লমজিংজবা ঙল্লিবরা, তৌফম খঙদবা মমৈ মকোক শম্নদ্রবা ৱাখল মফাং-মফাংনি, হিংবগী লম্বীদা লম্মুক্লরবা মীওই কয়ানা খল্লক্লিবসি। হৌখিবা কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী কুকি টেররিষ্টশিংনা থোকহনখিবা লান অসিনা ময়ূম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিংগী মফমদদি হিংলিবা তংদু লৈতাদবা পূন্সি মহিংনা মফাং-মফাংবা ৱাখল পরিং অমদা অসুম লীচিং ওইখিদুনা পূন্সি লম্বী লম্মুক্লরে। ইশাগী ইয়ুম, লৌরি-য়ূম্ফমদা শুজ-নোমজদুনা নুংঙাইনা হিংজরম্বা পূন্সি মহিংদুবু কুকি টেররিষ্ট খরনা লান্দারক্তুনা ইশাগী হৌরকফম পোক্লফম লমদম অসিদা লাঞ্জেন্নহল্লিবসিবু ওইফম থোকপরা। লমদমসি মপা লৈত্রবা, আইন চৎনদবা, খূৎতা খূৎলায় পায়বা টেররিষ্টশিংনা তৌনীং-তৌনীংবা তৌবদা ৱারক-ৱাতেম্বীনবা লৈত্রবরা। ৱাহংসিনি কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী লানসি হেক হৌরকপদগী মীচম মীয়াম্না হংদুনা লাক্লিবসি। ৱাহংদি হংই পাউখুমদি ফংদে।

মীয়াম্না খঞ্জখিবা মীয়ামগী মীহুৎনা লৈঙাকচরম্বদুসু প্রসিদেন্টস রুল চলাইখ্রে। অতোপ্পা থা তরুক অমগসু শাংদোকখিগদবা মাল্লি। মীয়াম্না খনখিবা মীহুৎশিংনা লৈঙাকচবা ষ্টেট লৈঙাক্কী সাসন উবা ফংদে। লৈবাক্কী ৱারবা মতমসিদা লানসি থুনা লাহৈশিন্নবা হোৎনগদবনি হায়না নুপা থোক্লা য়ুনিয়ন লৈঙাক্তা খোঙ থিন্দুনা লাউবা ঙম্বা মীয়ামগী লুচিংবা এম এল এসু য়াওদে। নাকল অমরোমদা লৈরিবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মকোক থোংবশিং প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং হোম মিনিষ্টরগী ৱাফমদা মণিপুরদা খুন্দারিবা ফুরুপ কাঙলূপশিং অসি অমগা অমগা পংহাৎতা হাৎনবা ওইনসু উরি। হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগী ৱাফমদা মণিপুরগী ঈরাং অসি ‘দো সমপ্রাদাই’ গী ঈরাংনি হায়দুনা অদুমক হায়রি। করিসু মরাল লৈজদবা মীতৈ মীয়াম্বু কুকি টেররিষ্টশিং অদুগা মান্নবা থাক্তা থম্মী। মসি মণিপুর মীয়াম্না অকনবা মওংদা কন্দেম তৌফম থোকই। মীতৈশিংনা য়েলহৌমীনি নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী লমদমসিদা লৈরক্লবনি। কুকিশিংনা মণিপুরদা চঙলকখিবা চহী চনীসু ফাদ্রিবা কাঙলূপনি। য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা কুকিশিংগী থৌওং অসিবু টেররিজম নত্তে হায়দুনা হৌজ থেঙ্খাং কয়াদা হায়রিবসি টেররিষ্টসু ইন্দিয়াগী লৈরিবা য়ুনিয়ন লৈঙাকসিনা শৌগৎপনি হায়রোইদবগী মরম লৈতে।

কুমজা ১৯৭৫দা ইন্দিরা গান্ধীনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা ইন্দিয়া পূম্বদা নেশনল ইমর্জেন্সি লাউথোক্তুনা সিটিজন অমগী হক পূম্বা খোঙ্গাওনখিবদুবু নীংশিংদুনা বি জে পিনা লুচিংলিবা নেশনল দেমোক্রেটিক এলাইএন্স লৈঙাক্লা ‘সংবিধান হাত্য দিবস’ গী থৌরম হন্দকসু পাঙথোকই। অদুবু লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংলিবা য়ুনিয়ন লৈঙাক অসিনদি মণিপুরদা মীয়ামগী হক খোঙ্গাওনরি। মশাগী মেজোরিটি লৈজরিবা লৈঙাক্তুবু মুখৎলগা চহীসিগী ফেব্রুৱারী ১৩দগী প্রসিদেন্টস রুল থম্ললি। মার্চ ৮দা ফ্রী মুভমেন্ট লৈহল্লগনি হায়রগা লৈহন্দনা কুকি টেররিষ্টশিংনা মীতৈ মীয়ামগী হক খোঙ্গাওনদুনা থল্লিবদা য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা খঙশিন উশিন্নদনা অদুমক লাক্লি। কুকি টেররিষ্টশিংনা মীতৈদা লান্দাদুনা থোকহনখিবা লান অসি চহী অনীগা থা অনী হেনখ্রবনি। শাংলবা মতমসিদা মীতৈশিং তম্পাক্লম অসিদগী চীং কাবা ঙমহন্দনা ফাজিন্দুনা অচৌবা জেল অমগী মনুংদা থম্বগুম থল্লক্লি। চীংদনা আইন লৈতবা, মণিপুরগী তম্পাক্লমদনা ইন্দিয়াগী আইন চলাইবগী শক্তমনি ঐখোয়না উরিবসি। ষ্টেট অমদি সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি ফোর্সশিং মীতৈ মীয়ামদদি থৌনা য়াম্না ফৈ। চীংদা কুকিশিংগী এরিয়াদদি করিসু তৌবা ঙমদে। চীংদা কুকিশিংনা ফনা য়াম্না হিংশাগী থবক তৌরবসু মথক থোংবগী ওর্দর ফংদে হায়দুনা উচুক য়ুংবগুম অদুমক য়ুংদুনা লৈ। শাংলবা লান মনুংসিদা মীতৈ মীচম কয়া তমথীবা মওংদা শা-ঙা হাৎপগুম হাৎপীখ্রবনি। মীতৈশিংগী পূন্সিদা মসিনা শাফরে হায়বা মফমদু খঙদনা লৈতনা লাকখ্রবনি। হৌজিকসু লোইজিং লোয়াদা লৌ উজবা লৌমী কয়া কুকি টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ মতোন ওনশিন্দুনা লৈরিবনি। কনানা ঐখোয়গী পূন্সিবু ঙাকপী শেনবীরিবগে। লৈমখোং আর্মি কেম্পতগী মাঙখিবা লাইশ্রম কমলবাবুগী লংলা লংজিন অদুমক খঙখিদ্রে। আর্মি কেম্প মনুংদা ফাওবা সেফ ওইদ্রবা পূন্সি হায়বসি লোইরবনি। মসিদনি মীতৈশিং পূন্না কোক চুংশিন্নদুনা তুংগী পোরম য়াৎতুনা থবক তৌমিন্নবগী তঙাইফদবা মতম খুদিংমক্তা লৈরিবসি। মীতৈ ঐখোয় পুন্দ্রগা মচোই মচোই তান্নরগা য়েক্লবশিংনা খুদোংচাবা লৌবা হায়বসিদি মশানা অদুমক তারবা ৱাফম্নি। অমুকসু শাংলবা মতমসি য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী লুচিংবশিংগা মণিপুরগী লৈরিবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেশনশিং অমদি এম এল এশিংগা শান্তি পুরক্লবা ৱারী শানবগী থবক্তি অদুমক চথদুনা লাক্লি। অদুবু লানসিগী ৱারোইশিনদি পুরকপা লৈত্রি। মসিদনি লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিং অমদি মীচম মীয়াম্না খোইরাং খোইশাওনরিবসি। অসুম্না কয়াম কুইনা চথদুনা তংদু লৈতাদনা লৈখিগনি হায়বসিনা ৱাহংতা ওইদুনা লৈহল্লি।

লোইশিল্লকপদা মী অমা ওইনা হিংবদা তঙাইফদনা চঙবা মচাকশিং ফংলক্তবনা লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিং হিংবগী আশা মাঙশিল্লক্লি। তংদু লৈতাবা মহৌশাগী পূন্সি মহিংদা হঞ্জিন্নবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা অকনবা থবক লৌখৎপীগদবনি। অদুবু য়ুনিয়ন লৈঙাক্তি তাশিন উশিন্নদনা মণিপুরগী লানগী মতাংদা লূম্না লৌদনা নীংঙাইদনা লৈথোক্লি। মখোয়সিবু মমিৎ মমায় পাংহন্নবা লমদমসিগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেশনশিং অমদি মীয়ামগী মীহুৎ এম এল এশিংনা পূন্না হোৎনমিন্নগদবনি। অসুম্না অসুম থেংথনা লৈশিনখ্রবদি মীতৈ মীয়াম তপ্না তপ্না খোঙ্গুল মূৎশিনখিবা নত্তনা করিসু ওইরক্লোই। ●

# ‘নীঙাইসে’ ফূধরগা থেম্বদসু তোকখিবা য়াওই

- রঞ্জিৎ নিংথৌজা -



‘নীঙাই’ হায়বা ৱাহৈ (টর্ম) অসি মপুক শেংদবা নৎত্রগা মপুকচেল পীকপা মীওইশিংগী থৌওং অমনি। থবক ওইনা পাঙথোকপদা ৱাগদবা অমা তৌদবা য়ারোই হায়দুনা সুম হায়রবদি মদু নীঙাইনি। খুদম ওইনা ‘শানোংবা হিগাইৱা’ হায়বসিদগী ঐখোয়না নীঙাই তৌরিবদুগী মপুকচেলদি ইরায় লায়না উবা য়াই। অমরোমদা নীঙাই হায়বসি চয়াম পোকপা ইমুংদা হেন্না থোক্কনবা থৌওং অমনি। মরম অসিনা ১৯শুবা চহীচা চঙলকপদগীদি মমা-মপা ওইবশিংনা অনী নৎত্রগা অহুম্না ওক্লসি। অপীকপা ইমুং নুঙাইবা ইমুং হায়বনচিংবা লৈঙাক্কী থৌরাংদা ষ্টেট অসিগী য়েলহৌ মীয়াম্না থাজবা থম্নখি। নীঙাই তৌবা মচা য়েংজনীংদে লোয়ননা চাওখৎপা কৌবা লম্বী চৎপদা নীঙাই চাউবা মচা কয়ানা খুনু মখোঙ খোঙলৌবগী মশিন তৌই হায়বসি খন্নখি। হৌখিবা চহী ২০ লোমসিদা মমা-মপা কয়ানা মী ওইহনখিদ্রবা থৱায় কয়াগী পূন্সি তেনশিনখিবগী ৱারী মীয়াম্না খঙনৈ।

অমরোমদা, লোন্নবীগী মচানা নীঙাই চাউবসি খরদি হেল্লি। য়েংবীয়ু মসিদি লৈকায় লৈকায়দা অদুম থোকপনি। মণিপুর অসি চয়াম পোকপী ওইরুরে। হায়বদি মান্নদবা ফূরুপ কয়ানা খুন্দামিন্নররে। মসিনা মরম ওইরগা নীঙাই চাউবা মচা (ফূরুপ) মরাং কায়বা হায়বসি মশানা তাবনি। মী খুদিংমক্কী অপেনবা হায়বসি মান্নবা য়ারোই। শক-চু খেন্নবা, চৎনবী হৈনবী মান্নদবনা অপেন পেন্দগী ৱাফম চোংথোকপনি। মসিনা নীঙাই কৌবা থৌওং অসি থোরকই। ইপা ইপুগী ৱাহৈদগী তাখিবসু লৈ। নীঙাই চাউবনা ঙামোক য়াম্না চায়। অদুবু ঙামোকখক্কী খল্লগা নীঙাই তৌবগী হৈনবী খুন্নাই অমা লৈশেন্নক্লবদি চাওখৎ লমজেল হায়বদুদি ওইথোক্তবা তাবনি। লমদমসিদা পোকপা মীয়াম্না হৈবোং মনুংদা হিংবা তুমিৎকুম মালেমগী মীয়াম্না উনরিবসি নীঙাই চাউবা মীগী মশীংনা হেনবগীনি হায়বসি লাল্লোই। অদুবু পীবসু ঙমদবা, করম্না নীঙাইদুবু থেমগনিসু খঙদ্রবদি মমা মপাদুগী অশোনবনি। ঙম্বা ঙমদবদু নীঙাইজাওশিংদা খঙহনবা তাই। ‘‘অদু ওইরসু’ হায়বা নীঙাই খুত্তৌগী অমত্তা ঙায়রবা ৱায়েলদি খূৎচাবা চৈ অমনা অয়ো-অয়ো লাওনা কন্দ্রি ফাওবা ফূধবা অদুতনা ওইগনি।

চয়াম পোকপগী মতাংদসু মণিপুর অসি চয়াম পোকপীনি হায়না শৈথাবদা অদুম চুনৈ। অমরোমদা লোন্নবী মমা হায়না অমুক শৈথারবসু অদুম চুনৈ। মণিপুরনা ইন্দিয়াদা কুমজা ১৯৪৯দা লোন্নবী ওইখি। মণিপুর কৌবী লমদম অসিগী ৱায়েল কাতিগী থৌ পূম্নমক ইন্দিয়ানা পুগনি হায়না য়ানদুনা লোন্নবী ওইখিবনি। ইন্দিয়াগীদমক মীংচৎ পুরকপা মচা কয়া অমসু মণিপুরনা পোকখরে। ইন্দিয়ানা ঙসি ফাওবদা মণিপুরবু অফবী লোন্নবী অমনি হায়না খনবদি উবা ঙমদে। চাক খরা পীজরগা, ঙাচেৎ-থুমচেৎ খরা থাধরগা পংথম থম্বা লোন্নবী ওইনা খনবগুম উরি। শাশিন্নবা, য়েপশিল্লকপা, মণিপুরী শাবা, মশানা মশাবু মণিপুরী হায়বা ৱাহৈসি ফাওবা হায়নীংদবা মীওইশিংনা মশাগী লমখাংগী মীংথোলশিং শক্তাক্তুনা নীঙাই তৌরিবসি ইন্দিয়ানা অচুম্বা ৱায়েল চথদ্রিবা করিগীনো?

ইন্দিয়ানা তোয়না খনবা, খনফমদি থোক্তবা ৱাফম অমা লৈ। মদুদি মণিপুরগী ৱাথোকসি য়াম্মন্দুনা ৱায়েনবা ঙমদ্রে। ৱারগা অদুম তোকচখিনি হায়বসিনি। মসি ইন্দিয়ানা মণিপুরদা লৈরিবা ফূরুপ খুদিংমক অসি মণিপুরী ওইনা দিফাইন তৌদবা, শক খঙদবগীনি। মণিপুরদা খুন্দারিবা, ষ্টেট গেজেটতা লিষ্ট লৈরবা কাঙলূপ খুদিংমক মণিপুরীনি হায়না ইন্দিয়ানা শক খঙবা হায়বসিনা ইন্দিয়াগী অহৌবা মথৌ ওইগদবনি। ১৯৪৯দা ইন্দিয়াগা মর্জর এগ্রীমেন্টকী খূৎয়েক পীনখিবদু মণিপুরগনি। নাগা নৎত্রগা কুকি হায়বা লম্মখাংগী মীংথোলশিং অসিগা নত্তে। নাগাগী ৱারীদি নাগালেন্দদা শাবীবা তাই। কুকিগী ৱারীদি ম্যান্মারদা শাবীরুবা তাবনি। মণিপুরী ওইনীংদবশিং অদুম মরমদা হঞ্জখিগনি। ইন্দিয়ানা মণিপুরী কনানো হায়বসি ময়েক শেংনা খঙবা নুমিত্তা লমদম অসিদা ঈংথ-তপথবদো ৱারু-নুংজু থোক্তনা অদুম হঞ্জিনজগনি।

অদুঙৈ কবো ভেল্লিবু অন্দমান নিকোবর আইলেন্দগা শিন্নখিবগুম কলাদান প্রোজেক্টকা মণিপুর থুগায়বগা মন্তিক্লবা হায়বদুদি ২১শুবা চহী চাদা ওইগদবা জিও পোলিটিক্স নৎত্রে। লোন্নবীগী মচা মণিপুরীশিংনা ‘ৱি দি পিপল ওফ ইন্দিয়া’ হায়নীংদ্রিবসে করিগীনো হায়বসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মুন্না খঙবীফম থোকই। জাতিগী ঈশৈনা ষ্টেট অসিগী স্কুল কেম্পসশিংদগী মূৎখিবগী মরম ইন্দিয়ানা মমুৎ তানা নৈনবীদ্রি। মণিপুরীশিংগী মনুংদা মশীং য়াম্বা কাঙলূপ ওইরিবা মীতৈশিংবু শোন্থহন্নবদা হোৎনবনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী থৌশিল ওইরগা লাকই। মরী লৈনবা পূম্নমক্লা খনবীগদবদি মীতৈ হায়বা ফূরুপ অসিনা শিরুম নারুম্বা ওইরবসু মীতৈ লৈরিবমখৈ মণিপুরদি লৈখিগনি। মরমদি ‘লোং লিভ মণিপুর’ লাউরিবসি মীতৈগী স্লোগান ওইরি। শেন্মীৎলোন্দা চঙ য়ৌনা শোন্থহন্দুনা পোৎকী মমলনা অতিয়া পক্লা ৱাংলবসু ৱারে নোংমতা হায়দনা খাঙদুনা হিংবা ঙল্লিবা মীতৈশিং তুশোনবনি হায়না লৌবীবা চুল্লোই। ঈংনা চাওখৎপা পান্বগী মীতৈশিংনা ‘ঈ’ বু তুক্কচবনি। বৈষ্ণবীজম অমদি সনামহি পাখঙবা কলচরগী ফজরোল ‘মচং’ পূম্নমক খঙনা শেমগৎলকখ্রবা মীতৈগী পূন্সিরোলবু খূৎনেক শীজিন্নদুনা শিংকুপ শানা নেৎশিনবা হায়বসি মীতৈশিংসু পুবা থাংবা ঙল্লোইদবা নীঙাই কয়া ইন্দিয়াগী মথক্তা তৌবা হৈহন্নবনি হায়রোইদ্রা?

হৌজিক মণিপুরদা খুন্দারিবা মণিপুরী (মীতৈ) ফূরুপনা হংলি- ইন্দিয়াবু মমা লৈবাক্লি খন্না ইন্দিয়াগীদমক মীংচৎ কয়া পুরক্লিবা, ইন্দিয়াগী শক্তম কন্নবা হোৎনবদা থৱায় কয়া মনুং মতম চাদনা মাঙখ্রবা মীতৈশিংনা ফম্বা চন্নবা হোৎনরম্বদগী হিপ্প চন্নবা হোৎনরিবা মপাল্লমগী মীতোপশিং, নোংমা নৎত্রগা নোংমা ইন্দিয়াবু উফুল ওলহন্নবা খল্লক্কদবা উতাংবীশিং অসিগা কনানা য়েক্লবনো, কনানা মরুপনো খঙবীরব্রা হায়বসিনি। মীতৈশিংগী নীঙাইদি ঈংনা চিক্লা, ঈ-নাই য়াওদনা হিংবা খুন্নাই ওইহল্লু, য়েলহৌমী অমদি মীতোপ ময়েক শেংনা খঙবীয়ু, চীং অমদি তম হায়বা মিংথোল অনী খায়রিবসি চীংলৈবাক হায়বা মিংথোল অমখক্তা থম্বীয়ু, মান্নবা লো অমখক্তমক চৎনহনবীয়ু, য়েলহৌ ফূরুপশিংগী ষ্টেটস মান্নহল্লু, লমদম অসিগী ঙমখৈ ময়েক শেংহল্লু, মীতোপ থিংনবা ঙমখৈদা শম্বল খাবা লোইশিনবীয়ু। মসিদি ইন্দিয়ানা তৌবা ঙম্বা নীঙাই ঙাক্তনি। ওইবা য়াবা নীঙাইদি সিষ্টমনি হায়না লৌবসু য়াইনা।

নাকল অমরোমদা য়েংবীয়ু, কাঙলূপ অমনা মাগী কাঙলূপকী লম হায়না শক খঙবীয়ু হায়বা নীঙাইসি য়াব্রা? মণিপুরদি খুন্দামিন্নরিবা য়েলহৌ মীয়ামগী অপূনবা মফমনি। সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন হায়রিবসি রেন্ট (ভারা) তা লৈবা লল্লোনবদুনা য়ূম অদুগী ইঙ্খোলগী পাট্টাদা মাগী মমিং হাপ্পু হায়না ক্লেম তৌবগা মান্নদব্রা। মসি লোনা য়াগদ্রা? লো হায়বসিবু লাইরিক তল্লবশিংনা মাগী মাগী অপাম্বা ৱাহন্থোক পীবা য়াব্রা? হিষ্ট্রি হায়বসিবু অশেংবদু লৌগদ্রা অশেম্বদু লৌগদ্রা? খুদোংচাবা নৎত্রগা শেন্দোং লৈবা ৱায়েলসি তুং কোইবা সোল্যুশন থল্লমগদবা ৱায়েল অমদি নত্তে। মীচং-শঙ্গ নাইবা মানবা মীৎয়েংননি মচা-মশুশিং অদুগী ৱাখলদা নীঙাই মচা মচা তৌনীংনবগী ঈথিল পীরিবা। পেন্দবা লৈবগী নীঙাইগা অপাম্বা ফংনবা হোৎনবগী নীঙাইগা মাঙহন তাকহনবগী চাং মান্নদে। তম্পাক্তা লৈরিবা মীয়ামগী নীঙাইসিদি পেন্দ্রিবদো পেলহনবা নুমিৎতা লোইখিনি। অপাম্বগী নিশানা মকোক পুবা ঙমদ্রবা অৱাংবা মফমদা লৈরিবা মীয়ামসিদি পীস লাকপদা মখোয়গী মায়থীবনি খনগনি। পীস (ঈংথ-তপথবা) হায়বা ৱাহৈসি মখোয়গী য়েক্লবনি। দিজাইন হোং-হোংদুনা নীঙাই তৌরক্কনি। মখোয়গী নীঙাই অসি ইন্দিয়ানা পীবা ঙম্বসু ওইথোক্তে। থেম্বদসু তোক্ত্রবা পীবদসু ঙল্লোইদবা নীঙাইসিদি তপ তানা অমুক্তং ফূধরগা য়েংবীয়ু। ফূধবদা তোকপা নীঙাইসু অদুম য়াওবনি। তৌবগীদি তৌরিবা নীঙাইদো থেমগদৌরিবা নঙনা ৱাহন্থোক মুন্না খঙবা হান্না চঙই। থাগৎচরি। ●

# নুংশিদকো ঐগী ইচেতোন

- রানাপ্রতাপ য়ূম্নাম -

হৌখ্রবা পূন্সিগী থোকখ্রবা থৌদোক অমগী ৱারীনি। ঐগী ইচেতোন থৱায়গা হকচাংগা কায়নদ্রিবা মখৈ কাউবা ঙমদনা লৈরগদৌবা ঈশিংনা চামদুনা কোক্লরোইদবা, নুংশাগী মৈশানা খুইথবা ঙল্লরোইদবা, ৱাকচীংগী উন্না পৎহনবা ঙল্লরোইদবা ঐগী নুংশিবী ইচেতোননি। মাগী মমিং অমা লৈ অদুবু পীক্লিঙৈ ঐনা অঙাং ওইরিঙৈ অ, আ, ই, ঈ তম্বা মতমদা ইচেতোননা এল পি স্কুল চৎপা মতমদা ঐসু খুদৈ অমা শেৎলগা মতুং ইন্নজরকপনি। এল পি স্কুলদগী এম ঈ স্কুল ফাওবা পূন্না তম্মিন্নদুনা স্কুল কাবা-কুম্বা লোয়নরকই। অয়ূক্কী চারা ৱানমিন্নৈ। চাক পুখম অমদা পূন্না চামিন্নৈ। মরিনসু য়াম্না খাদুনা ঐখোয়না শাওরগা খৎনবদা ময়া ক্রক-ক্রক চিক্লগা শম ফোই ঐঙোন্দা অমদি লৈমিন্নরিবা ইচিন ইনাও পূম্নমক্তা। মানা শাওরগা শাথী হায়দুনা উরু চিকপী হায়না মঙোন্দা খুমদুনা মাগী অশাওবী ওইনা লৌনৈ।

ঐগী ইচেতোন ইপাগা পোকমিন্নবা ইপলথৌ অমদি ইমাবোক্লা পোকপনি। ইমাবোক অদু মনুং মতম চাদনা তাচৌ অমগা ইচেতোন অসিগা পোক্লগা ইচেতোননা ষণ শাবা অমদি লেপ্পা খোঙনা চৎপা হৈরকপা, সংসারগী অফবা ফত্তবা, ফজবা থীবা পূম্নমক্কী ৱাখলগী মমি তাদ্রিঙৈ, চাক লাম্লগা চাক চাগে, তূম্লিংলগা তূমগে হায়জবা মতমদুনি। ইমাবোক অদুনা পূন্সি শিন্থা মচা মনাও মপুরোইবা কয়াগী মাঙ থাদুনা তাইবঙ থাদোকখিবা মতম অদু। ঐহাক্তি ইমাবোক অদু মশকসু উহৌদে, খঙহৌদে। ঐগী ইমানা লীদুনা তাবা ৱারী খরনা ৱাহৌদোক ওইরগা ঐগী পূন্সিনা শিনফম নাইদুনা লৈঙাক্কী শিন্মী অমা ওইরবা চহী ৩০/৪০গী লম্বী লমশাংদা ঐগী নুংশিজরবী ইচেতোনগী ৱারীনি পাউদমজরিবা অসি। ইমানা লিবীখি চাক থোংনা থোংনা ফুঙ্গা ৱারী কয়া। নিংথৌগী ৱারী, মোইরাং কংলৈরোলগী ৱারী, কদেং থাংজহনবগী ৱারী, কোনু লাঙতোনবীগী ৱারী, হুইনিং শুম্বা মোদোনগী ৱারী, টিকেন্দ্রজিৎ য়ুজরাজদি পাইবা ঙম্মী, পাওনা ব্রজবাসিদি থাঙ চঙদে, হেঞ্জুনহাগী লমতা থাগী থাংজগী ৱারী কয়া কয়ানি। চরু মৈনা চাক থোংলিবা, পোদোন থাংমৈ মঙালদা অ, আ, ই, ঈ পাদুনা ১, ২, ৩, ৪ মশীং থিদুনা পূন্সিগী খোঙচৎনি লেপ্পা নাইদনা মতমগী ঈচেলদা ঙম্নমক চেন্থখিগনি, ঙম্নমক চেন্থদুনা পুখিগনি মাগী কল্লবা ঈরৈনা। কনানা কনাবু খামদুনা মীকুপ অমগী মতম ফংলোই হে তাইবঙ মীওইবা। হায়নবা লৈ তাইবঙ মীওইবা ঙসি শিনি পাউতাক্তে, হয়েং শিগনি পাউজেন্দে কনানা কনাবুসু খঙনদে।

ইমা ইচেতোনসি কনানো নঙনা পোকপরা হায়দুনা হংলুবদা ইমানা চাক থোংনা থোংনা নমাবোক্লা পোক্লম্বনি। নচেতোননা চহী অনী হায়রকপা মতমদা নমাবোক অদু লৈখিদ্রে। শিরমদাইগী মতম থৱায়গা হকচাংগা কায়নরমদাই মীকুপ অদুদা ঐগী ইমাগী মমিং লৈবাকলৈমা কৌই, চোংথাম নিঙোলনি। য়ূম্নামদা ওংলক্লগা ঐখোয় ইচিন ইনাও ১১ নুপা ৬ নুপী ৫ পোকপনি। ঐখোয়গী অপোকপা লৈঙাক্কী পীকপা চাউবা নত্তনা শিন্মী অমা ওইখিদে। ইচম চম্না খুঙ্গংগী লৌমী অমা ওইনা লৌউ-শিংউদুনা চহী অমা চাবা কোন্ননবা কৈদা ফৌ হাপ্পগা অতৈ মতমদনা শীংয়ান ঈফান, ঙা-চাক ফাদুনা ইমুং-মনুংগী ৱাত্তনবা হোৎনরগা মচা ঐখোয়বু চাউনবা য়োকপা, ইহৈ ইশিন তমহনবা অসিনি।

ঐগী ইচেতোন লাইবক থীরবীশিংগী মনুংদা পূন্সিগী লানফমদা লাম্মী অমা ওইনা হনবা লৈতনা লাম্থেংনখিবীনি। মানা অঙাং ওইরিঙৈদা ইমাবোক্লা লৈবাকলৈমা ইচে হাল্লম্লগে ঐগী মতম লোইরে। মবুং অসিদি তাইবঙ মীরোল খঙলে, পূন্সি খোঙচৎ খোঙলোইনবা ঙল্লগনি। তাইবঙগী অৱা নুংঙাইগী ময়েক মশেল নাইদ্রিবী পীক্লিবী অসিদি নঙনা খরা য়েংশিল্লকউকো হায়রম্বনি অদুনা নখোয়গী নচেনি নচে। মহাক অসি অঙাং ওইরিঙৈদা নীঙাইসু য়াম্না কল্লি। মাগী নীংবা থুংদবা মতমদা মৈ-ঈশিং চঙবা নত্তে। মাগী অপাম্বা অদু থুংদ্রবদি শুমাংদা নীঙাই তৌদুনা কপ্পা মতমদা নোং জম জম চুরকপদা নোং তারে চোৎলে হায়দুনা লৌশিনবদা হৌগৎলগা মাগী হান্নগী নীঙাই তৌফম কপফম অদুদা অমুক চেন্থোক্লগা কপ্পা নীঙাই তৌবা অদু মখা চথদুনা লৈবদুদা মতমদুগী য়েনপাক খন্দুনা নোং মরক্তা লেপ্পগা মানা কপ্পা ফৎত্রিবা ফাওবা খাঙলকপনি। নচেসি পোকমিন্নদে হায়দুনা মীরাইগনুকো ইচাশা হায়না ইমানা ৱারী লীবীরকই।

মতম মাগী লেপ্তুনা চৎলিবা পূন্সিগী ঈরৈগা ঈরোইননা ঙসি, হয়েং মথং মথংনি। লৌশিং চাউই, মরীল খায়, মীতেক মীরৌ খঙই, তাঞ্জা মেঞ্জা খঙই। ঐগী ইচেতোন মীনা লাকচবা য়াদে। শীংনবসু য়াদে। মহৈ মশিন তম্না তম্না য়েলাং, কোমপ্রেক হেক্লগা মশাগী খরচ পুজৈ। মীগী মতেং লৌ হায়বা য়ারক্তে। পীক্লা ৱাকচীং উনলেন নংলবী ইচেতোননি। ঐগী ইচেতোন ঐগা লাপথোক্লরে। ঐহাক খা ইম্ফাল হায় স্কুলদা তম্লে। ইচেতোননা ময়াং ইম্ফাল ঙসিনা নিংথৌজম তোমচৌ হায়র সেকেন্দরি স্কুল হায়না খঙনরিবা, মতমদুদা ময়াং ইম্ফাল হায়র সেকেন্দরি স্কুল হায়না খঙনরম্বা স্কুলদা তমহৌরে। ঐসু মথংদা স্কুলগী মতম লোইরদুনা মণিপুর কোলেজদা তম্লে। মথংদা আই টি আইদা দ্রাউসমেন তমদুনা লোইশিল্লবা মতুংদা ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্টকী শিন্মী অমা ওইনা তম্লুবা শিনফমদুগী শিন্মী অমা ওইরে।

মরক অসিদা লেপ্পা নাইদনা চৎলিবা মতমগী শাহুম্না হুম্লবা নুংশিৎকা ইরোয়ননা ঐগী ইচেতোন মাগী পূন্সিগী খোঙলোইগী মফমদা য়ূমলেপ য়ূম্ফম থোনখ্রে। লায়ররে হায়দুনা ৱারুবা য়াদবা পল থিংনবা কনানা কনাবুসু থিংনদবা ইনাক খুনগে হায়দুনা পূন্সিগী চেনফম থোকপা ঈচেলদগী ৱাংমা লান্না ঈৱাইরুবা য়াবা নত্তে। লায়রবা ইনাকখুনবা মাগী মাগী মতম্না পুরকপা মনা অদু পায়দুনা হিংনরিবনি। হিংখিনি পূন্সি মানা লোইদ্রিবা ফাওবদি। অৱাবা নুংঙাইবা কয়াগী চৈথেং চৈনা খাঙনা খাঙনা ঙাইবা তাবনি।

ৱাদুনতা লাক্লবা পূন্সি কয়া য়ূম্বাল কৈবাল্লবা মতমদা মনা পূঙবা অৱা মৈশা লাংদনা কায়দোংফম ফংব য়াওদবা নত্তে। মখোয়াংিবু শীংথানৈ অৱা মচা লেম্না মাঙদে, নিংথৌ লাইবক য়ূমদিনৈ হায়দুনা ৱারীনৈ। অমরোমদনা ৱাদুনতা লাক্লবী পলেম পন্থৌ শুনা নাওকোল্লক্তবী লাইবক থীবী নিঙোল কয়ানা মাগী মাগী মতম য়ৌরদুনা য়ূমলেপ চারা তম্বদা অৱাৎপতনা মশরুক ওইরবা কনাগী মফমদা ৱাইথুংলুদুনা অৱাবা কয়া থেংনবদা ৱারীনৈ য়ূম্ফমদি হোংবা য়াই, লাইবক মাগী নোংদমদি হোংবা য়াদে। পূম্নমক নোংদম্বা মাগী নোংদমখোলদা তাইনরগা তেংথা তেংথানা থম্মোয় খুতুম শুদুনা খাঙজবনা লায়রবা অৱাৎপনা য়োল্লবা ইমুং কয়াদদি অউনপোৎনি তাইবঙ মপুগী লীলানি, মাগী স্ক্রিপ্টনি, মাগী দিরেক্সননি, মাগী প্রদক্সননি।

নোংমা ঐগী ইচেতোন পাওনা বজারগী উষা সিনেমা হোল য়ৌদ্রিঙৈ মানা সনা কৈথেলদা এঞ্জাং নাপী য়োল্লুরগা হল্লকপা, মমায় মখা ওন্না লাকপনি। উষা সিনেমা হোল খরা হেল্লক্লে। ঐনা য়ৌদ্রিঙৈদনি। ঐহাক ইমান্নবা ঐখোয় অনী/অহুমগা লোয়ননা ওফিসতগী থোরকপদা লম্বীদা মায়োক্লবনি। ঐ হেক উবদা ইচেতোন ইল্লিবা ফিনা মকোক অদু খুমজিল্লগা মাগী মখা পাংনা লাক্লিবা পাওনা বজারগী নোংপোক থংবা নাকলগী লম্বীগী মতাই ওইনা চৎখিবা অদু ঐনা হেক উবদগী মানা নাথৈরগা চৎখিবগী মীকুপ অদু ফাওবা লোইনা ঐগী মিৎমাংদা থোকখিবা ঙাক্তনি। লোইনা উই, লোইনা খঙই ইচেতোনদা ফাওরিবা ইহুল। মীকুপ অদুদা ইমান্নবা পূম্নমক হেনগৎহনখ্রগা ঐনা লৈথরগা ইচেতোন করিগীনো নঙনা ঐবু উরগা ফিরুক খুমজিন্দুনা নাথৈদুনা চৎলিবদু হায়দুনা থৎলগা হংবদা ইচেতোননা খুল্লকখিবা পাউখুমদা শিন্থখিবা পিরাং পাওনা বজারগী লম্বীদুদা তাখিবা মীৎকী পিদু ঙসিসু নৌহৌননা ঈহৌরকই।

লাইরমলেন্দা তিনখ্রবী ইচেতোন্না হিংলিঙৈদা অৱাবতনা হকথেংনদুনা মপূন্সি লাম্থেংনখি। খুতুম চিংদুনা লাকপা খুবাক তিংনা হনখিগদৌবা, লায়রবা-ইনাকখুনবা পূম্নমক্কী চাকথুং অশি লৈবাক য়ৌখিনি নোংমা শোয়দনা। ঐগী মতম্না লাক্লবদা কনানা কনাবুসু খাম্বা ঙল্লোই। মীনা মীবু তাথিগনু। মীনা মীবু নুংশিনা শেংলবা থম্মোয়গী মরীনা পুন্দুনা ইপা ইমা, ইপু ইবেন, ইচিন ইনাল পূম্নমকপু পুনশিনবীয়ু। ঙসিগী নিংথৌ, লম্বীগী চাক্লিবা, অকনবা, অথৌবা, শক্তি লৈবা পূম্নমক করিসু নত্তে। নঙগী শক্তিনা, নঙগী পাঙ্গলনা, নঙগী শেলনা-সনানা ঐনা ঐগী ইচেতোনগী শিন্থখিবা পাওনা বজারগী লম্বীদা তাখিবা পিরাংগী মমল য়ৌনা পায়বা ইনাক খুনবা কনানো, শক্তি পায়বা কনানা ইচেতোনবু নীংশিংলকপা মীকুপ্তা তারিবা পিরাংসি তাহনবা ঙম্বা শক্তিগী মপু কনানো থম্মোয় শেংলবা ঈফুৎতগী ঈহৌরক্লগা মিৎলুদা চেন্থরকপা পিরাংগী মমল। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।